নহাশিংগী অখন্নবা ৱাখল : - নহা ফাল

"নঙোন্দা অনাবা ফাওরবদি নহাক হিংলিবনি। অদুগা নহাক্না অতোপ্পা কনাগী অনাবা ফাওবা ঙম্লবদি নঙ মী ওইরবনি"

- লিও টোলস্তোই

হোৎনববু লেপত্রবদি হেক্কে খল্লিবা মহয় হেকপমক ঙমদ্রবসু শোকপা ফাওবদি ঙমগনি

কনা অমনা গভর্ণমেন্টকী থবক তৌবা ঙমদবগী, কনা অমনা পুন্সিগী লম্বীদা অফবা থবক তৌদুনা মায়পাকপা ঙমদ্রে হায়না অতোপ্পা মীওইশিংদা তাইনবসু য়াওদবা নত্তে। অদুবু কনা অমদি অৱাবা কয়া খাঙদুনা কনা অমত্তদা তাইনরুবা তৌদনা হোটেলগী কা শেংবগী থবক তৌদুনা, নোংম-নোংমগী অফং-অফংবা হাজিরাগী থবক শুদুনা অমদি তোঙান-তোঙানবা থবক মচা-মচা কয়া তৌদুনা মশানা পামজবা লম্বী অদুবু ফংনবা হোৎনবসু য়াওদবা নত্তে। ৱানা হৌরক্তুনা অৱাবা কয়া ময়োক্লরবা মতুংদা মায়পাকপা অমগা লোয়নননা মীয়ামগী থৌগল তৌবা ঙমখিবা মীওই কয়া অমা লমদম অসিদা লৈখ্রে, কয়া অমসু লৈরি। মখোয়শিং অদুগী মরক্তা মীয়াম্না য়াম্না পাম্নরক্লিবা শৈশকপা এস কে মঙাঙসু অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

মীয়াম্না এস কে মঙাঙবু অহানবা ওইনা শক খঙলকপা হৌরকখিবা ঈশৈ অসি 'চঙ থোক্লে' হায়রিবা ঈশৈ অসিনা ওইখি। মদুগী মতুংদা মীয়াম্না পাম্নরকখিবা ঈশৈশিং অদুদি "কোরৌঙানবা-৩গী 'নঙগী শক্তম' অমদি 'তাইবঙগী ফজবা'; ইনম্মা ফিল্মগী 'লৈনানা য়োল্লিবি'; য়াওশঙগী ঈশৈ 'মচু শঙহৌরসি'" হায়বনচিংবনি। 'থৱায়গী থৱায়; লৈবাকলৈ; ইৱাল অমনা; মালেম লৈমা; হায়দ্রসু খঙঙে অমদি থাজগী মঙাল' হায়বনচিংবগী অনৌবা ফিল্মশিং অসিদসু মহাক্কী ঈশৈ কয়া লাক্কদৌরি। মহাক্কী পুন্সিগী মখা তারকপদসু ঈশৈগী লম্ অসিদা চঙশিন্দুনা লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌবগা লোয়নননা হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা ঈশৈগী লম্দা মতেং পাংনবা হোৎনবা পাল্লি। ঙসি মীয়াম্না শৈশকপা অমা ওইনা খঙনরক্লবসু হান্নগী হৌরকখিবা পুন্সি মহিং অদু কাউদবগা লোয়নননা চম্না হিংনবা হোৎনরি।

শৈশকপা এস কে মঙাঙ শগোলমাং মমাং লৈকায়দা লৈবা খুন্দ্রাকপম শ্যামকনহাই অমদি খুন্দ্রাকপম ওংবি সুশিনিগী মচা তরুক্কী মনুংদা ইহান হান্না ফংজবা মচানুপানি। মহাক্কী মপা পোকপা মপুবোক নট-সঙ্কীর্তনগী শৈশকপা মীওই অমনি। লোয়নননা মহাকপু হেক পোকপা মপাসু ঈশৈ শকপা মীওই ওইবতা নত্তনা ঈশৈবু য়াম্না পামজবা মীশকনি। অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা ঈশৈ শকপা-তম্বা পাম্না হৌরক্লবসু যূমগী লৈত-লায়রবনা মরম ওইদুনা মতম চানা ঈশৈ তম্বা ফংখিদে। ঈশৈ য়াম্না থেংনা তম্লকখি। যূমগী লৈত-লায়রবনা মরম ওইদুনা করিগুম্বা মরম খরদগী যূমদগী থোক্লক্তুনা থঙ্গাল বাজারদা লৈবা অনন্দ কোন্টিনেন্টেল হোটেলদা কা শেংবা অমদি ফীরোল লোইশিনবগী থবক চহী অমরোম তৌনা তৌনা ঈশৈ তম্লকখি। মতম অদুদা ঈশৈ তম্লুবগী থেংনা হল্লকপদা হোটেল মেনেজরনা থিনা ঙাঙখিবগী থৌদোক কয়া অমসু থোকখিদবা নত্তে। লোয়নননা মদুগী মতুংদা হাজিরাগী থবকশু শুদুনা মদুদগী ফংলকপা শেনফম খরা অদুনা মখা তানা ঈশৈ তম্নবা হোৎনদুনা পুন্সি লেল্লকখি। অনান্দ কোন্টিনেন্টেল হোটেলদা থবক তৌরিঙৈ মতমদা হোটেল অসিদা থবক তৌমিন্নবা মঙোন্দগী চহী খরা হনবা মহাক্না ইয়াম্বা হায়না কৌজবা মৈতৈ পাঙল অনীনা মহাক্কী ঈশৈ শকপা পামজবা অদু উবদা মতেং পাংদুনা লাকখি। মতম অদুদা ময়াম্বনি খঞ্জবা মীওই অনীসিগা লোয়নননা ঈশৈ তম্নবা শক্লাইরবা লমদম অসিগী শৈশকপা রনবির থৌনাগী যূম ফাওবা থিমিন্নখি। লোয়নননা শক্লাইরবা শৈশকপা সোরি শেঞ্জমদসু ঈশৈ তম্নবা হোৎনরকখি।

যূমদগী মতেং ফংলক্তবা অমদি চৎলুবা খুদিংদা অৱাবা লম্বীনা অয়াম্বা ওইরকপা মরম্না মতম খরা ঈশৈ শকপা-তম্বগী থবক চহী অনী-অহুম্মুক লেপখি। অদুবু মহাক্কী লৈকায়দা লৈবা ম্যুজিক্সিয়ন অমা ওইনা হৌরকখিবা হৌজিক্না ম্যুজিক দিরেক্টর ওইনা থবক তৌরিবা ননাউ শগোলমাংগা থেংনদুনা ঈশৈ শক্নবগী থৌনা পীবগা লোয়নননা মতেং পাংবিরকপদগী ঈশৈ শকপগী অনৌবা মঙলান অমা অমুক লাকখি। মদুগী মতুংদা মহাক্না ওজা হায়না কৌজবা ম্যুজিক দিরেক্টর ননাউ শগোলমাংগা পূন্না লৈমিন্নদুনা ঈশৈগী লম্দা মখা তানা থবক তৌবা হৌরকখি। মহাক্কী অহানবা ওজাদি গুরুময়ুম মহাপ্রলয়নি। মদুগী মতুংদা শক্লাইরবি শৈশকপী অশেম বিমোলাদা অমুক ঈশৈ তম্লকখি। লোয়নননা মখা তারকপদনা ননাউ শগোলমাংদা মখা তানা ঈশৈ তমদুনা মীয়াম্না পাম্নবা ঈশৈ কয়া শকপা হৌরকখি।

পুন্সি হায়বসি অৱাবনা পিক থল্লি অদুবু পূম্নমক অদু কা হেন্না খনজিল্লুদনা পামজনা চৎলিবা লম্বী অদুদা অদুমক চৎপা ঙম্নবা খা চিক্তুনা হোৎনবা মথৌ তাই। মদুনা নোংম নৎত্রগা নোংমদি হেক্কে খল্লিবা মহয় অদু করিগুম্বা হেকপা ঙমদ্রবসু মহয় অদুবু শোকপা ফাওবদি শোয়দনা ঙমগনি। মরম অদুনা হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা নিংবা কায়বগী মহুৎতা থাজবা অমগা লোয়নননা হোৎনদুনা লেপ্পা লৈতনা কৎথোক্তুনা চঙশিনবা চঙই। হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা মানা-মানা পাম্না চঙশিল্লিবা লম্বী অদুবু ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্নবা হোৎনবা, ইমুং-মনুং অমদি লৈবাক মীয়াম্নসু সপোর্ট তৌবিবা মথৌ তাই। মদুনা লমদম অসিগী হৌরক্লিবা মীরোলশিং মানা-মানা পাম্না চৎলিবা লম্বী অদুদা শোয়দনা মায়পাকপা ঙম্বা হায়বদু ওইগনি।

ঙসি মীয়াম্না শৈশকপা অমা ওইনা শক খরা খঙবিরক্লিবা অসি তাইবঙ মপু অমদি মহাক্কী অপোকপা-অপোকপী, তাকপী-তম্বিরকপা ওজাশিং, ম্যুজিক দিরেক্টর ননাউ শগোলমাং, শৈশকপা নাউবোই, সদানন্দ মহাকপু মচাগুম্না সপোর্ট তৌবিরিবা খুরাই চিঙাম্বম লৈকায়দা লৈবা এস কে মঙাঙনা ইমা অমদি পাবুং হায়না কৌজবা ওইনাম ওংবি রেবিতা অমসুং ওইনাম ললাগী থৌজালগা লোয়নননা লৈবাক মীয়াম্না নুংশিবিদুনা সপোর্ট তৌবিরকপা অসিনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা ঙমজবনি। মরম অদুনা পূম্নমক্তা ক্রেডিট পীনিংই হায়নসু মহাক্না তানা ফোঙদোরকখি।

❐ *এস কে মঙাং (সুরঞ্জন খুন্দ্রাকপম মঙাং), ষ্টার সিঙ্গর*

ৱারবা লমদম অসিগী আর্টিষ্টশিংগীদমক থাগী ওইনা লৈঙাক্লা শেলগী মতেং খরা-খরা পীহন্নিংই

নোকফেৎ তৌবা মায়থোঙগী মরুমদা

তোংব্রম চনু জেনিবলা (জেনি), ফাওগৎলক্লিবি নুপী লীলারোই

তোংব্রম চনু জেনিবলা মীয়াম্না জেনি হায়না খঙনরিবা নুপী লীলারোই শগোলবন্দ কাংবম লৈকায়দা লৈবা লৈখিদ্রবা তোংব্রম বিনোদকুমার অমদি তোংব্রম ওংবি বিনোদিনিগী মচানুপীনি। হৌজিক-হৌজিক পাঙথোক্লিবা শুমাং লীলা ফেষ্টিভেল ২০২০-২১গী নুপী লীলাদা 'লমন' হায়রিবা লীলা অসিদা বেষ্ট সপোর্টিং এৱার্দ ফংখি। জেনি অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা অদুমক আর্ট এন্দ কলচর পামদুনা হৌরকখি। মহাক্কী অপোকপসু দান্স কোলেজগী জগোইগী ওজা অমনি। মরম অদুনা পিক্লিঙৈ মতমদগী হৌনা মহাক্কী অপোকপনা তাকপি-তম্বিরকখিবা অহানবা ওজা হায়বদু ওইখি। তোঙান-তোঙানবা প্লে কয়াদসু চাইল্ড আর্টিষ্ট অমা ওইনা এক্ট তৌরকখি। মদুগী মতুংদা এম দি যুদা শরুক য়ারদুনা মখা তারকপা শুমাং লীলাদা খোঙ থাংজিল্লকখি। পুন্সিগী অহানবা লীলা ওইনা 'ৱি ওল ৱান্ট' দা শান্নবা হৌরকখি। পুয়া মৈ থাবা, শীজ লাইওইবি, ইরাবত, টিকেন্দ্রজিৎ, জি সী তোংব্রাগী সনা কৈ হুখ্রে লৈবাক্তগী, শক্লোন পুবা গুরু, হাওবা কোনুনচিংবা চাওরাক্লা থিয়েটর প্লে ২০ অমদি শুমাং লীলা 'হাউরং ফোলাংলৈ, কংজাবি, সনা খিং-খিং ঙানবা, লমন'নচিংবা লীলা ৫শরুক য়াখ্রে। শঙাইনচিংবা লীলা কয়া নুপী লীলারোই ওইনা এক্ট তৌখি। শঙাই হায়রিবা লীলা অসিদা নেরেটর ওইবগী নেসনল বেষ্ট জুরি এৱার্দকী মনা ফংখি।

তোংব্রম চনু জেনিবলাসু লমদম অসিগী আর্টপু পামজবা লৈত-লায়রবা অমদি অৱাবগী চৈথেং কয়া ফংলবসু পামজরুবা লম্বী অসিদদি চৎতবা য়াদে হায়না চঙশিল্লবা নুপী লীলারোইশিং অদুগী মরক্তা মহাকসু অমনি। মহাক্কী অপোকপসু থবক্তগী লৌথোকপীরকপদগী নাখিদুনা যূমদা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নখি। মখোয় মচিন-মনাউ অহুমসু প্রাইভেট স্কুলদা মহৈ তম্বা ফংলকখিদে। গভর্ণমেন্ট স্কুলদা মহৈ তম্বগা লোয়নননা থিয়েটরগী ক্লাস য়াওদুনা লাকখি। লমদম অসিদা নুপী লীলারোই অমা ওইবা হায়বসিসু তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়াদা ঙসিসু খুদোংচাদবা কয়া অমা থেংনরি। অদুবু মহাক্কী অপোকপনা হায়বিরম্বা ৱাফম নঙনা-নঙনা পাম্না থাংখ্রবা খোঙথাং অদু মায়পাক্লিবা ফাওবা নিংহন্নবা লৈতনা চঙশিল্লু হায়বা ৱাফম অদুদা চঙশিন্নবা হোৎনরি। মহাক্কী ববাচৌ অমদি এম দি যুগী থোইদোক্না মমীং লৈরবা ওজা-গুরুশিং হিজম শ্যাম, লমাবম গোজেন, বি কে পেবিয়া, জুগোলচন্দ্র, চজিং দেবেন অমদি খোলচন্দ্রনচিংবদা থিয়েটরগী মতাংদা তম্লকখি। শুমাং লীলাগী ওইনা ওজা ইবোইয়াইমা খুমন, জুগিন্দ্রো অমদি ইমা মুক্তাবলিনচিংবা ওজাশিংদা তমখি। জেনিবলা শুপ্নগী থিয়েটর অমদি শুমাং লীলাদা খক্তা শরুক য়াবতা নত্তনা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম কয়াদসু শরুক য়াখ্রে। ফিল্মদা চঙনবা হোৎনবদা ওজা শানৌনা পুশিনবিরকখি। অদুবু লাইবক থীবদি ওজা অসিগা কুইনা লোইনবা হায়বদু ওইখিদে।

'নঙগী অশাদা, ইরাং, তম্ফা আই লব য়ু, ৱান্টেট লিপ্পোই, সরেন্দর, জাম মখোং, ফিশা খোল অমদি অঙাউবিগী মচা' হায়বনচিংবা মণিপুরী ফিচর ফিল্মশিংদা শরুক য়াখ্রে। লোয়নননা জাম মখোং, ফিশা খোল হায়রিবা ফিল্ম অসিদা কোমেদি এৱার্দকীদমক নোমিনি চঙখি। মণিপুরগী হৌগৎলক্লিবা আর্টিষ্টশিং অসিনা হৌজিক-হৌজিক য়াম্না চাওনা খুদোংচাদবা অমা মায়োক্নরিবা অসি লীলা, দ্রামা, সিনেমা অসি ইন্দষ্ট্রি অমা ওইনা শকখঙবীদবা অসিনা মসিনা মরম ওইদুনা হৌগৎলক্লিবা মীরোলশিংনা আর্টকী মরমদা তমজনিংবা কয়া লৈরবসু তম্বা ফংদনা লৈরি। আর্ট হায়বা অসি য়াম্না পাকচাওবা মরম্না তম্বগীসু লোইবা নাইদে। হৌজিক লমদম অসিদা আর্টকী ওইবা তোঙানবা ইন্দষ্ট্রি লৈতবা মরম্না আর্টপু পামজবা মীরোলশিংনা ওজা কয়াগী মফমদা টুসন ওইনা চৎনরি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা অমদি আর্ট এন্দ কলচরগা মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা লমদম অসিদসু মপান লমদা থম্নরিবা ঠিয়েটরগী স্কুল মণিপুরদসু শেমগৎ শাগৎহন্নিংই। লোয়নননা আর্টিষ্টশিং অসিনা খ্বাইদগী হৌজিক ৱাজরিবা অসি শেল-থুমগী অৱাবা অসিনি। মরম অদুনা আর্ট তৌজরিবা মীওইশিংগীদমক অখন্নবা থবক খরদি তৌহন্নিংই। ঙসিসু মপানগী লমশিংনা আর্ট এন্দ কলচরগী মতাংদা নমথবা ঙমদনা লৈরি। করিগুম্বা লৈঙাক্লা অসিনা হেন্না আর্ট এন্দ কলচর মীৎয়েং চঙবিরগদি কনা অমত্তনা নমথবা ঙম্লোই হায়না খল্লি। কনাগুম্বা খরনা আর্টিষ্ট ওইবা হায়বসি চরা হেনবা শিনফম অমনি হায়না ঙাঙনরিবা অসি চুম্মী হায়না লৌই। মরম অদুনা লৈঙাক্লা আর্টিষ্টশিংগীদমক শেলগী মতেং খরদং ওইরবসু থাগী ওইনা মতেং খরা-খরাদি পাংহন্নিংই হায়না ফোঙদোরকখি।

চহী কয়া হৌখ্রবা মতুংদা ঙসি লম্ অসিদা মীয়াম্না খরা খজিক শক খঙনবা হৌরকপা অসিগী ক্রেডিট অপোকপা-অপোকপী, ইমুং-মনুং, তাকপি-তম্বিরকপা ওজাশিং অমদি সপোর্ট তৌবিরকপা মীপুম খুদিংমক্তা পীনিংই। লোয়নননা পুন্সিগী মখা তারকপদা আর্ট এন্দ কলচরগী লম্ অসিদা মখা তানা চঙশিনদুনা লৈখিদ্রবা অপোকপা তোংব্রম শ্যামগী মিংদা একাদেমি অমা শাদুনা হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা তাকপী তম্বিবগী থবক তৌবা পাম্মী। হোৎনবা লেপ্পীগনু, হোৎনববু য়াওদ্রবদি পুন্সিদা মায়পাকপা ঙম্লোই হায়বসি হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা খঙবিয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখি।

ডা. খাইদেম অথৌবা

এডিটরগীদমক অখন্নবা চিঠি অমা-৪

খন্দুনা য়েংবীয়ু, নুংশিদ্রা- পূম্নমক্না মীরাইবীরম্লবা লংলা তৎলবা তেলাঙ্গা অদুনা অহিং অমগী লীক্লা মায়োক্নদুনা করম্না অহাংবা লম্বাংদা য়াতারম্লিবা। পুন্সিসে কপ্লোই খন্না কপখিদ্রবনি। অদুম হন্নসু ৱাখলবু অৱাবা পীখিদ্রবনি। অদুবু নীংশিংবা মাতনা ঐবু হৌজ-হৌজ কায়হৌরকপনা ঐ খাংবগী পাঙ্গল ৱাশিল্লক্লে। ঐ কপ্লরোই-ঐ ৱাররোই হায়বদি ঙম্মী। অদুবু অদোমগী নুংশি হৈরবা ৱাহৈ কয়া অদুবুদি অদুম্মক নীংশিংদুনা লৈরে। নরাল শীবদি নৎচদে, অদুবু থম্মোয় কনমল্লি অসিমতংদি হায়নবগী থৌনা পীবিয়ু। নাইতোম পুন্সি নুংঙাইবীবরা ? মীওইবগী চৎনবীনা যূম পান্দুনা ইচা-ইশুগী নুংঙাই মঙলান্দা মীকূপ খরদং পেন্থোকচগদবসু খঙবীদবা নঙগী নতুং ইল্লিঙৈ মতমদো হৌখ্রে। ঐগী অৱাৎপা লৈত্রবা পুন্সি অসিগী অদোম্না খঙখিদবা অৱাৎপা অমতং হায়য়ু হায়রবদি 'হৌজিক্তি মতমদু হৌখ্রে' 'সি নত্তনা পাউখুমজররোই। এডিটর- ঐ কপতে অদুবু মীৎতগী পিনদি অরেপ্পা লৈতা মীৎলুদগী চেন্থরক্লিবসি অদোমগী মীনুংশি চাওরবা খূৎতুনা তৈথোকপীরবদি ঐ পোকপগী মহৈ য়াঞ্জগে। 'সিমসু লাইবক্কীনি, মপান তাংখিগদ্রা ? নৎত্রগনা অদোম্নদি খঙদনা অদোমগী পুন্সিগী খোঙচৎকী মতম পূম্বগী লোয়নজবী ওইনবগী ফিরেপ্তু ইফমদগী পান্বীব্রা ? ঐগী পুন্সি নুমিৎ তারমদাই কয়াম ৱাৎলি, মদু ফাওবদংদি অদোমগী আশাগী মপাল তাংজখিগে। মী ওইনা পোক্লরবদি আশাগী মপালসু তাংউ হায়বীরম্মী।

অদোমগী - ডা: নন্দিতা

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

অচৌবা দাম অমসু ওইরিবা মফৌদামগী অকোয়বদা লৈরিবা মীওইশিং য়াম্না ৱানা হিংলি

থৌবাল তুরেলদা লৈরিবা মফৌ দাম মণিপুরগী অচৌবা দামশিংগী মনুংদা অমনি। দাম অসিগী অকোয়বদা তারিবা তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ চীং অমসুং তমগী লৈরিবা খুঞ্জাশিং ঙসিগী কম্পিটেটিভ ওইরবা খুন্নাই অসিদা ঙসিসু এদ্যুকেসনগী মঙাল ৱাৎনা হিংলি। তুরেলদা তাংজদুনা হিংলিবা অয়াম্বা ইমুংশিংনা মচাশিংদা অহেনবা পৈশা থাদদুনা ইম্ফাল অমদি মপান লমদা মহৈ মশিন তম্বা ঙম্বা ইমুং মশীং থিবা য়াখিগনি। অন্দ্রো এ সীগী এক্স এম এল এ টি ঐচ শ্যামকুমারনা লিংখৎখিবা স্কুলদা খ্বাইদগী ফি পিকপা ষ্টিমদা মহৈরোয় কয়া তমহল্লবসু স্কুল অসিদা তল্লিবা মহৈরোয়শিংনা লম্বী ফত্তবনা মরম ওইদুনা চথোক চৎশিন্দনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। ইম্ফালদগী নিংথেমচা খুল ফাওবদি কোয়লাস থারি। অদুবু মোইরাংপুরেল য়ৌগদবা চীং লম্বী অদুগী কিলোমিটর ১৬ মুক্তি কোয়লাস থাদ্রি। লম্বী অসিদা নুঙ লৈঙোয় পুবা ট্রক কয়া মশীং খঙদনা চৎপনা লম্বীগী ফীভম ওন্থোকপা ফীভম অমদা লৈবা হায়বদু ওইরে। লম্বী অসি ফত্তবা পেসেঞ্জর পুবা গাড়ী মশীং য়াম্না চৎপনসু মহৈরোয়শিংদা অচৌবা খুদোংচাদবা ময়া মায়োকনহল্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা লম্বী অসি শেম্বীয়ু।

❐ **মিলটন লুৱাং, নোঙাদা মখা লৈকায়**

কোভিদ লোইখ্রগা খরা ৱাবা ফগাদ্রা হায়না খল্লগা হৌজিক্না অমুক্কা হেন্না অৱাবা হায়বদু ওইরে

কোভিদ পেন্দমিক মমায় লৈদুনা হনখ্রবসু থেংনখিবা অৱাবশিং ঙসিসু অদুমক লৈবাক মীয়াম্না তোঙানবা মওং অমদা থেংনরি। লায়চৎ অসি ফখ্রবা মতুংদা অমদি লোকদাউন তোকখ্রবা মতুংদা খরা শাফগদ্রা হায়রগা স্কুলগী ফি থিহল্লকপা, পেসেঞ্জর পুবা গাড়ীশিংনা অতোংমন হেনগৎনা লৌরকপা, পোৎ চৈগী মমল অমদি থাউগী মমল কা হেন্না ৱাংখৎলকপা মরম্না ঙসিনা হেন্না লৈবাক মীয়াম্না অৱাবা হায়বদু ওইরে। কা ৱায়রগা লৈবা মীওইশিংসু অৱাবশিং অসি উরগা য়ুম্বুনা কাগী অৱাইমন হন্থবিবগী মহুত্তা ফক্তুনা লৌবিরি। চৈরক অসিদা লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা শীজিন্ননবা মপান লমদগী পোৎ চৈ কয়া পুশিনবিরক্লিবা গাড়ীশিংদা লুট পাৎ কয়া তৌরকপা অমদি ফুবা চৈবগী থবক কয়া তৌরকপা অসিনা মীয়ামদা অমুক্কা হেন্না খোইরাং খোইশাওনহনবা হায়বদু থোক্লে। অসিগুম্বা ৱারবা মতম অসিদা গাড়ী দ্রাইভরশিংদা লুট পাৎ তৌবিবা অমদি ফুবি চৈবিবগী থৌওং অসি মীওইবা অমগী লীচৎ ওইগদৌরিব্রা? মরম অদুনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া অসিগী মতাংদা লৈবাক অসিগী মপি মপা ওইরিবা লুচিংবশিংনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীদুনা মরাল লৈবা মীওইশিংদা চৈরাক পীবিয়ু।

❐ **এল ইবোমচা, তাওথোং**

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২০।০৩।২০২১ ইং,থাংজা;
লমতাগী ৭ নি পানবা।

মেষ: অফবা মরি মতা ফংজবা, অরং অরাক ফংবা অমদি পল্লম্বা থবক/শেল লমদসু নিংবা থুংগনি। অদুবু অশাওবগী অমদি কাইনবগী পেন্দবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- হাইজবদি তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

বৃষ: হরাওবা, পুক্লিং পেঞ্জবা অমদি লান্দবনা নথক থোংববু লাইনা খুদুম চনবা ঙম্বা নুমিৎনি। চিংনবা অমদি য়েংনবা লৈতনবা লৌশিং চাওবা লোইনৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

মিথুন: মীয়ামগা অফবা মরি লৈনবা অমদি নচা ননাই চাওখৎপা নুমিৎনি। মরুপ মপাংগী মতেংনা কান্নবা ফংগনি, মীয়াম্নসু লোইনবা পামগনি।
লৈশা পাখংশিংগী-নুংশি মরি ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।

কর্কট: নিংবদুমক ফংজৌ হায়বা লৈ অমদি শেন্দোং তানবৈ লমদনা হেন্না মায় পাক্কনি। হকচাংসু নুংঙাইগনি, থৌনা ফুদোকপা কাওগনু। ৱাঙাংদি হৈয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

সিংহ: নিংবদুমক পাংবা য়াগনি অমদি অফবা ৱাখল্লোন্না মাংওইনরগা পাংহৌবনা তুংদা লাকচগনি। য়েৎনবদদি লম্বা লৈতনা মায় পাক্কনি । নরলদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফরনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস।

কন্যা: অচুম্বা ৱাখল্লোন, নুংশিবা মরুপ অমদি ইমুং মনুংগী ৱা তাবতনা মায় পাকচৌ হায়বা অফবা লৈ। চরাংনরবা অমদি মীনা ইনশিনবা লৌবা মাংগনি ।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং ফাথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

তুলা: কনানসু লাকচবা ঙমলোই, চিংনগনু মাংলোমদা হনবা লৈতনা চংশিল্লু। পাইরক্কী লৌশিং চাওই, নাইতোম ৱারেপ লৌবসু য়াগনি। ঈরাংদি পুগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।

বৃশ্চিক: ঙসিসু খ্বাইদগী হেন্না নিংবা থুংগনি। অনৌবা অশাদা অনৌবা থৌরম পাংবসু কান্নগনি। মরুপ অফবা ফংগনি অমদি পল্লম্বা লন চংবৈ নুংঙাই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজে।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

ধনু: হান্নগুম য়েৎনবা অমদি নক্লবনা য়েংশিনবা খরা লৈ, ঙাইঙমদবা তৌগনু। লৌশিং তানশিনবা অমদি মরুপ লোইনবগী কান্নবা শোইদনা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পাউ নুংঙাইবা তাগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

মকর: মীয়াম লোইনরগা নুংঙাইজবা অমদি নচা-ননাই চাওখৎপা নুমিৎনি। মীনসু লাকচবা ঙমদবা, লৈঙাক্কী লমদা মায় পাকচগনি। খুৎ চাওবা য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরি ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

কুম্ব: ইমুং-মনুং ৱাখল তান্নদবনা লন মাংবা অমদি অশাওবনা মরুপ কাইনবা য়াবা নুমিৎনি। তপথৌ অমদি তহা তহাগনু, মদুনা য়াইফগনি। য়াকা য়েংনা চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম লৌখো।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাংবা।

মিন: মীংচৎ তানবদা,লন অমদি লৈফমগী লমদা মায় পাকচগদবা নুমিৎনি। খুরৌ থাংবা লৈরম্লসু কোকচরনি অমদি থিবা হুম্বগী লমদা নিংবা থুংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হরাওগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

লৌশিং পুক্কে

কোভিদ-১৯ অনীরক

নাবা য়াবগী চাং চহী ৬৫ হেল্লবা মীওইশিংদনা হেন্না ৱাংই - লান্সিট



কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতগী ঙাকথোক্লবগীদমক ভেক্সিন কাপ্পগী থবক থৌরাংশিং খোঙজেল য়াঙনা চথরিঙৈ মনুং অসিদসু ভাইরস অসিগী মরমদা হেন্না মমুৎ তানা খঙবা ঙম্নবগীদমক সাইন্টিষ্টশিংনা ষ্টদি কয়া লেপ্তুনা চথরি। হন্দক্তা নৌনা পল্লিস তৌরকখিবা ষ্টদি অমদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা অমুক্কা হন্না নারকপা য়াবগী চাং অতৈ মীওইশিংদগীদি মশাগী চহী ৬৫গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংনা হেন্না ৱাংবা থেংনখ্রে হায়রি।

দি লান্সিট জর্নেলদা পল্লিস তৌরকখিবা ষ্টদি অদুনা কুমজা ২০২০গী ফেব্রুৱারীদগী দিসেম্বর ফাওবগী মরক্তা দেনমার্কতগী খোমগৎলকখিবা দেটাশিংবু য়েংশিনখি। ষ্টদি অদুগীদমক কোভিদ-১৯গী ইনফেক্সন চেক তৌনবা মীওই মিল্লিয়ন ৪ রোমদা পি সী আর টেষ্ট মিল্লিয়ন ১০ রোম লৌখি।

ষ্টদি অদুগী ওথরশিংনা থেংনখি মদুদি, জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ওইনদি ভাইরস অসিনা অমুরক্তংবু ইনফেক্ট তৌখ্রবদি চাদা ৮০ রোমগী চাংদা ভাইরস অসিদগী প্রোটেক্সন ফংই। অদুবু প্রোটেক্সনগী চাং অসি মশাগী চহী ৬০গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংদদি চাদা ৪৭গী চাংদা হন্থরকপা থেংনখি।

ষ্টদি অদুগী সাইন্টিষ্টশিং অদুনা দেনমার্কতা কোভিদ-১৯গী অহানবা ৱেব লাকপা মার্চতগী মেফাওবগী মরক্কী মতম অমসুং, লায়না লাইচৎ অসিগী অনীসুবা ৱেব লাকপা মতম হায়বদি সেপ্টেম্বরদগী দিসেম্বর ফাওবগী মরক্কী মতম, হায়রিবা মতম অনীমক অসিদা পি সী আর টেষ্ট তৌখিবা মীওইশিংগী রেকোর্দশিংবু য়েংশিনখি।

ষ্টদি অদুনা কোভিদ-১৯ অমুরক্তং পোজিটিব ওইবা থেংনখিবা মীওইশিংগা কোভিদ-১৯ অনীরক পোজিটিব ওইবা থেংনখিবা মীওইশিংগা কম্প্যের তৌদুনা য়েংখি।

হান্নগী ষ্টদিশিংগী ফাইন্দিংশিংগা মান্নবা মওংদা অনৌবা ষ্টদি অসিগী ওথরশিংনসু জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মরক্তদি অমুক হন্না ইনফেক্সন তৌরকপগী চাং অসি চাদা ১দগীসু তাথনা অসুক্কী মতীক নেম্বা থেংনখি। এন্টিবোদিশিংনা মখোয়দা য়ামদ্রবদা থা ৬ ফাওবদি প্রোটেক্সন পী হায়রি।

অদুবু প্রোটেক্সনগী চাং অসি মশাগী চহী ৬৫গী মথক্তা লৈরবা মীওইশিংগী মরক্তদি হন্থরক্তুনা চাদা ৪৭খক্তং ওইবা থেংনখি।

অদুবু ষ্টদি অদুগী লিমিটেসন খরদি লৈতবা নত্তে। পি সী আর টেষ্টশিং অদুনা হান্নগী লৈহৌবা ভাইরস ট্রেসশিং পিক-অপ তৌরম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈতবা নত্তে, মদুনা টেষ্টকী রিপোর্টতদি পোজিটিব ওইনা উৎপা অদুবু তশেংনা রিইনফেক্সন তৌবদি নত্তবা।

লিমিটেসন অমগা হায়রগদি ষ্টদি অদুগী দেটা অদুনা ভেরিয়ন্ট মখল খেন্নবগী মতুংইন্না রিইনফেক্সন তৌরকপা য়াবগী রিস্ককী মরমদি তাক্তে, ভেরিয়ন্টশিং অসিগী মরক্তা খর অমদি ইম্যুনিটিদগী নান্থোকপা ঙমই হায়না থাজনরিবনি। খুদম ওইনা, ব্রাজিলদা ইহান হানবা ওইনা থেংনখিবা পি.১. ভেরিয়ন্ট অসিদি লায়না অসিনা হান্ননা নাখ্রবা মীওইশিংদসু অমুক হন্না রিইনফেক্ট তৌবা ঙমই হায়না থাজনৈ।

ষ্টদি অদুনা তশেং তশেংনা উৎলিবা ৱাফমদি হকচাংনা মশা মথন্তা পুথোকচবা মহৌশাগী ওইবা প্রোটেক্সন অসিখক্তংনদি কোভিদ-১৯গী ইনফেক্সনদগী ঙাকথোক্লবগীদমক মতীক চাবা ওইদবা য়াই হায়বসিনি।

ষ্টসি অসিগী ফাইন্দিংশিংগী মতুংইন্না হান্ননা কোভিদ-১৯ নাখ্রবা মতুংদা অমুক্কা হন্না নারকপা য়াবগী চাং অসি অহলশিংদনা য়াম্না ৱাংই হায়রি। লমদম অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোকপগী চাং হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা নেমথখ্রবসু অনীসুবা ৱেব অমুক লাকপা য়াবগী ওইথোকপা অদুম্মক লৈরি। মসিদা হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওইরিবা অসি মশাগী চহী ৬৫দগী হেল্লবা মীওইশিংনি।

অদুবু চেকশিনবগী মথৌ তাবগী চাংদি নহা অহল খাক্তনা অদুম্মক চপ মান্নে। ভাইরস অদুনা চঙখ্রবা মতুংদা নহাশিংদদি ইনফেক্ট তৌহনবা ঙম্বগী চাং নেম্লবসু মখোয়না ভাইরস অদুবু পুরক্লগা যূমদা লৈজরিবা অহলশিংদা শন্দোরক্তুনা নাহল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা অদুম্মক লৈরিবনি। মসিগীসু মথক্তা চহী ৬৫ শুদ্রিবা মীওইশিংদা রিইনফেক্সনগী চাং খরা খজিক নেম্মী হায়জবখক্তনি। রিইনফেক্সন শুকতৌমক তৌরক্লরোই হায়বদি নত্তে। মরম অদুনা লমদম অসিগী মীয়াম্না লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবগী লৈরিবা চেকশিন-থৌরাংগী চৎনা কাঙলোনশিং,হায়বদি মাস্ক উপ্পা, সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকপা, খূৎ-শা শাপোন শীজিন্নদুনা তোয়না হাম্বা, খুৎ হাম্বগী খুদোংচাবা লৈতবা মফম/মতমদনা হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নবা অসিনচিংবশিং মখা তানা অদুম্মক ঙাকপা মথৌ তারি।